**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 21-05-2026)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সতগী লাকখিবা নোংমৈশিং য়োনবগী থবক ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমশাং এরিয়াদা চত্থরে হায়বা পাউ ফংবদগী মনিপুর পুলিসনা লমদেংদা ওপরেসন অমা চত্থখ্রে। ওপরেসন অদুদা লালহৌলুপ অমগী কাদর অনি, খুৎলায়গা কোন্ননা ফাগৎখি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস.পি. ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা জিলা অসিগী এস.পি. কে.এস.ঐচ. শিবাকান্তানা হায়-মফম অদুদা খুৎলায় অমদি লালহৌবশিং ফানবগীদমক চংশিল্লুবা মতমদা হায়রিবা লালহৌলুপ অসিগী কাদরশিংনা সেক্যুরিতি ফোর্স তম া নোংমৈ কাপশিল্লকখি। সেক্যুরিতি ফোর্সনসু হন্দুনা নোংমৈ কাপখি। তুংদা, নোংমৈ কাপ্পা অদুদা চেন্নবা কাদর অনি অমসু ফাগৎখি। মখোয়না হায়দোরকপগী মতুং ইন্না মখোয় খুৎশু খুৎলায়শিং অদু য়োন্নবগীদমক্তা লাকপনি। মসিদসু নত্তনা মমাংদা লাকখিবা নোংমৈ অমদি নোংমৈ মরুশিং য়োনবদসু হকথেংননা চেন্নে হায়না মশানা মরাল য়াজখি।

থৌদোক অসিগী মতুংদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা লমদেংদা লৈবা লালহৌলুপ অমগী কেম্পতা থিবা হুন্বগী থবক চত্থখি। মদুদা তোঙান তোঙানবা মখলগী নোংমৈ ৩৮ য়াওনা অতৈ লানদা শিজিন্নবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙমখিবনি।

অমরেমাদা, অসাম রাইফলস, মনিপুর পুলিস, বি.দি. টিম অমদি ই.দি.দোগকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙরাং তেংনৌপল জিলাগী টি-বোংমোল ভিলেজকী বোডর পিল্লর নম্বর ৭২ অমদি ৭৩ দা চত্থখিবা ওপরেসনদা এস.এল.আর. রাইফলস অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা,

রেদিও সেট মরি, আই.ই.দি. মরি য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎলে। ফাগৎলবা আই.ই.দিশিং অদু সেক্যুরিতি ফোর্সনা অশোয় অঙাম য়াওদনা পোকখায়হনখ্রে।

**ৱাকৎ (এল)ঃ** ফাজিনখিবা নাগাগী মীওই তরুক অথুবা মতমদা তেক্ত-কায়দনা থাদোরক্কদবনি হায়দুনা ঙসিসু রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা খোঙজং চংশিনখি।

বিষ্ণুপুর অকোইবা অপুনবা লুপ অমদি কোকোমিনা শিনদুনা ঙসি বিষ্ণুপুর বজারদা রোংমৈ নাগা লুফুৱাম, বিষ্ণুপুরগী মৈরা পাইবীশিং অমদি তাইপৈ লুৱাংলিয়েনগী মীয়ামনা ৱাকৎ মীফম ফমখি।

জোইন্ট ত্রাইবস কাউন্সিল-মনিপুরনা শিনদুনা তমেংলোং হেদক্বাটরসতসু মীয়ামগী রেল্লি অমা চৎখি। রেল্লি অদ্ মিণি ষ্টেদিয়মদগী হৌদুনা জাদোনং পার্ক ফাওবা চৎখিবনি। রেল্লি অদুদা ফাজিনখিবা নাগা তরুক অথুবা মতমদা থাদোক্কদবনি হায়বা খোল্লাউ লাউখি।

ফাজিনখিবা নাগাশিং অথুবা মতমদা থাদোরক্কদবনি হায়দুনা তামৈ হেদক্বাটরসতসু ঙসি মীয়ামগী রেল্লি অমা চৎখি। ইনপুই- রোংমৈ-জেমি অমদি লিয়াংমৈগী অপুনবা লুপ ওইরিবা জোইন্ট ত্রাইব কাউন্সিল মনিপুরগী মীৎয়েং মখাদা লিয়াংমৈ সিভিল ওর্গনাইজেসননা শিনদুনা চংশিনখিবা খোঙজং অদুদা জোজাংতেক্তা নাগা মীচম হাৎখিবা য়ানিংদে, ফাজিনখিবা নাগাশিং তেক্তা-কায়দনা থাদোরক্কদবনি হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

খোঙজং অদুগী শরুক অমা ওইনা ঙসি দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী খুৎথাংদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিদা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখি। মেমোরেন্দম অদুদা অহেনবা সেন্ত্রেল সেক্যুরিতি ফোর্সশিং থন্বীনবা, মী ফাজিন্দুনা থম্বগী থৌওং অসি ক্রিমিনেলগী ওইবা থৌওংনি অমদি মসিবু কেন্দ্র সরকারনা য়ানিংদে হায়দুনা চপ চাবা ৱারোল অমা থোক্কদবনি অমসুং ফাজিন্দুনা থম্লুবা খরা থাদোরকখিবা

অদুগীদমক মেদিকেল অমদি রিলিফকী তেংবাং পীবিয়ু হায়বনচিংবা য়াওরি।

**ভগীদারি (এল)ঃ** চুরাচান্দপুরগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শিনদুনা ঙসি জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম তরুক্তা জন্ন ভগীদারি সব সে দুর, সব সে পহেলে থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ইনর্ফোরমেসন, ইদুকেসন এন্দ কম্মুনিকেসন (আই.ই.সি) কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোকরিবা কেম্পেইন অসিগী মনুং চন্না ঙসি জিলা অসিগী লৈশাং ভিলেজ, তুইলাফাই ভিলেজ, দমপি ভিলেজ, সঙ্গাইকোত সব দিভিজন অমদি স্বাংধোতা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা সরকারনা পীরিবা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী স্কিমশিং মীয়ামদা খঙহনখি অমদি মীয়ামগী ৱাকৎশিং তাবগা লোয়নননা মদুগী ৱারোইশিন পুরকখি।

ফেরজোল জিলাদসু জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শিনদুনা জন ভগীদারিগী কেম্পেইন মখা তানা চত্থরি। ঙসিসু জিলা অসিগী দমদাই অমসুং অনখাসো ভিলেজশিংদা কেম্পেইন চত্থখি। মদুদা, উ চারা কয়াসু থাখিবগা লোয়নননা অধার মিং চনবা অমসুং মসিগী শেমদোক শাদোকপগী থবক চত্থখি। কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা ফেসিলিটেসন কাউন্টরশিং হাংদোক্তুনা মীয়ামদা কাষ্ট সার্টিফিকেট শানবা সরকারগী দোকুমেন্টশিং য়েন্থোকখি। মসিগা লোয়নননা হেলথ দিপার্টমেন্টনা মেদিকেল চ্যেকঅপ অমা পাঙথোকখি অমদি চীফ মিনিস্তরগী হকশেলগী তেংবাং অমসুং প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা য়োজনাগী হেলথ কার্ডশিংসু শাখি।

সেনাপতি জিলাগী ওইনসু ঙসি ফাইবুং খুল্লেনগী কম্মুনিতি হোলদা ধরতি অবা জন জাতিয়া গ্রাম উতক্ৰরস অভিয়ান (দাসগুৱা) গী মখাদা জন-ভগীদারি-সব সে দুর, সব সে পহেলেগা মরী লৈনবা আই.ই.সি. কেম্পেইন অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্পেইন অদু চিলিভাই ফাইবুং দি.দি.ও-এস.দি.ওগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপনি। কেম্পেইন অদুগী মনুং চন্না বেঙ্কিং ইন্সটিট্যুসনশিং,

সোসিএল ৱেলফিয়ার, এগ্রীকলচর, দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট, হেলথ অমসুং তোঙান তোঙানবা সরকারগী লোইশঙশিংদগী  লাকপা অখঙ-অহৈশিংনা মীয়মাদা ফংহল্লিবা তোঙান তোঙানবা য়াইফ থৌরাংশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

**ডে (এল)ঃ** হান্নগী প্রধান মন্ত্রি রাজিভ গান্ধি লৈখিদবগী ৩৫ শুবা পালন থৌরমবু ঙসি লৈবাক অসিনা এন্তি তেরোরিজম ডে হায়না পাঙথোকরি।

রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালানসু তেরোরিজমগী থৌওংদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদসু ইকায় খুমবা উৎলক্লি।

নেসনেল এন্তি তেরোরিজ ডেনা লাকপদা ঐখোয় পুমমকা শান্তি, অমত্তা ওইবা অমসুং নুংশি চান্নবা পুরকবা পুন্না হোৎনমিন্নরশি হায়না মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা আপীল তৌরি। ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মীওইবা খুনাইদা চাউনা শিংনরক্লিবা তেরোরিজমগী থৌওংশিংবু ঐখোয়না মায়থিবা পীগদবনি। তেরোরিজমগী থৌওংদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদসু ইকায় খুমবা উৎলি অমদি মখোয়গী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোক্লি।

গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা নেসনেল এন্তি তেরোরিজম ডেগা মরী লৈননা হায়-ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অপুনবগী ৱাখল্লোন হেন্না চেৎশিনহন্দুনা জাতিগী অপুনবা শক্তমগীদমক থৌনা ফনা চংশিনমিন্নরশি। জাতি অসিবু ঙাক শেনবদা লৈখিদ্রবা সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিংগী মফমদসু ইকায় খুমবা উৎলি।

থৌরম অসি রাজ্য অসিদসু মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিনা শিন্দুনা ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদসু পাঙথোকখি।

অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ঙসি চুরাচান্দপুর জিলাগী জলেনফাই ভিলেজতা লৈবা লিভিং ৱাটর হায়স্কুলদা এন্টি টেরোরিজম ডে পালন থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা মহৈরোইশিং অমদি ওজাশিংনা শরুক য়াখি।

**দিসএবিলিতি (এল)ঃ** রাজ্যগী কম্মিস্নার ওফ পার্সন্স ৱিট দিসএবিলিতি (পি.ডব্লিয়ু.ডি) গী ওইরিবা-ৱাহখোম বিহারিনা হায়রি-রাজ্য অসিদা দিফরেন্টলি এবল পার্সন শান্নরোই অফবা কয়া পুথোকপা ঙমলে অমদি মখোয়না মহৈ মশিংগী লমদসু চাউনা মায় পাকপা ঙমলে।

দিফরেন্টলি এবল পার্সনগী মতাংদা সরকারনা পায়খৎলিবা থৌরাংশিং অমদি মখোয়না ঙসি ফাওবদা মায় পাক্লকপশিংগী মতাংদা ঙসি অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউ কাংবুগা অখন্নবা উন্নবা অমদা শ্রী বিহারিনা হায়-হৌজিক ফাওবদা দিফরেন্টলি এবল পার্সন্স অহুম এম.পি.এস.সিনা লৌবা পরিক্ষাদা মায় পাক্তুনা এম.সি.এস. অহুম পুথোকপা ঙমখ্রে। মসিদসু নত্তনা শান্ন খোৎনবগী লমদসু চাউনা মায় পাকপগী লম্বীদা চংশিল্লি।

**উখ্রুল(এল)ঃ** উখ্রুল জিলাদা লৈবা স্কুলশিংদা ঙসি ৱার্ল্ড ডে ফোর কলচরেল দাইভরসিতি পালন থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখ্রে।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মহৈরোইশিং অমদি ষ্টাফশিংনা মশা-মশাগী নাৎকী ওইবা ফিজোলশিং শেৎতুনা স্কুলশিংদা চৎনখি। পালন থৌরম অসি য়ু.এন. জেনরেল এসেমব্লিনা হৌখিবা চহি ২০০২ দা হৌদোকখিবনি। পালন থৌরম অসিগী কুমশি চহিগী হীরমনা-‘দু ৱান থিঙ্ক ফোর দাইভরসিতি এন্দ ইনক্লুজন’ হায়বসিনি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবামগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শিনদ্না জিলা অসিদা অহানবা ওইনা জিরিবাম বুক ফিয়ার ২০২৬ ঙসিদগী ইমা কৈথেলদা হৌদোকখ্রে।

নুমিৎ নিনি চথুগদবা বুক ফিয়ার হৌদোকপগী থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমার, এস.পি. প্রখার পান্দে অমদি অতৈ

ওফিসিএলশিং, মহৈরোইশিং অমদি ওজাশিং শরুক য়াখি।

**ঈশিং (এল)ঃ** পোরোম্পাৎ ৱাটর সপ্লাইনা কোনবা মফম খরদা লৈরিবা কঞ্জুমরশিংদা মতম খরা ঈশিং পীবা লেপ্লগনি হায়রি।

রাজ্যগী পব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-পোরোম্পাৎ ৱাটর সপ্লাইগী মখাদা লৈবা ওল্ড চেক্কোন, সোইবম লৈকাই অমদি ৱাংখে খুনৌগী মফম খরা ঈশিং ফংলোই। হায়রিবা মফমশিং অসিদা শেমজিন শাজিনবগী থবক চত্থবনা মরম ওইরগা মতম খরগী ওইনা ঈশিং পীবা লেপকদবনি হায়রি।

**ইগজাম (এল)ঃ** রাজ্যগী সোসিএল ৱেলফিয়ার দিপার্টমেন্টনা হব ফোর ইম্পৱারমেন্ট ওফ ৱিমেনগী মখাদা লৌগদৌরিবা কন্ট্রেকচুয়েল ষ্টাফশিংগী অইবা চাংয়েং থা অসিগী ২৪ দা পাঙথোক্লগনি। মসিগা মরী লৈননা পরিক্ষাগী সেন্টর, পরিক্ষাগী মতম অমদি সেন্টর অদুদা চত্থগদৌরিবা তোঙান তোঙানবা পোষ্টকী অকুপ্পা মরোল দিপার্টমেন্ট অসিগী ৱেব সাইট-ডব্লিয়ু.ডব্লিয়ু.ডব্লিয়ু. দোট সোসিএল ৱেলফিয়ার দোট এম.এন. দোট জি.ও.ভি. দোট ইনদগী খঙবা য়াগনি।

**এভোলাঃ** কেন্দ্রগী হেলথ সার্ভির্সেসকী দাইরেক্তোরেনা এভোলা লায়নানা নাবা লৈবাকশিংদগী লাকপা পেসেঞ্জরশিংদা অখন্নবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা এদভাইজরি থোকখ্রে।

এদভাইজরি অদুগী মতুং ইন্না, দেমোক্রেটিক রি-পব্লিক ওফ কোংগো, উগন্দা অমসুং সাউথ সুদাননচিংবা লায়না অসিনা শোকহনবা লৈবাকশিংদগী লাকপা অমসুং লাইহৌ, কোক চিকপা, মসল পেন্ট অমসুং ওবনচিংবা লায়ওং থেংনবা মীওইশিংনা খুদক্তা মেদিকেলগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা খঙহল্লি।

লায়না অসি নাবা মীওইশিংগা হকথেংননা উন্নরুবা পেসেঞ্জরশিংনা ইয়ারপোর্টকী হেলথ ওফিসার নৎত্রগা হেলথ দেক্সতা রিপোর্ট তৌনবা হায়রি।

**সমিটঃ** আফ্রিকাগী শরুক খরদা ওইরক্লিবা হকশেলগী ফিভম য়েংলগা মরিশুবা ইন্দিয়া আফ্রিকা ফোরম সমিট য়ৈথোক্লে হায়রি।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়-থা অসিগী ২৮ দগী ৩১ ফাওবা ন্যু দিল্লিদা চত্থগনি হায়না তৌরম্বা সমিট অসি আফ্রিকাদা শন্দোরক্লিবা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা য়ৈথোকপনি। সমিট অসি পাঙথোকবা নৌনা মতম লেপকনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ভারত অমদি আফ্রিকা য়ুনিয়নগী চেয়ারপার্সন অমসুং আফ্রিকান য়ুনিয়ন কম্মিসনগা কুপা খন্নরবা মতুংদা ৱারেপ অসি লৌরকপনি।

মন্ত্রালয় অসিনা আফ্রিকাদা থোক্লিবা হকশেলগী ফিভম অসিবু নুংঙাইতবা ফোংদোক্লদুনা হায়-লৈবাক অদ্না মায়োকরিবা খুদোংচাদবা অসিদা ভারতনা শরুক য়ারি।

**ত্রিপুরাঃ** ত্রিপুরাদা অসাম রাইফলসনা তোঙান তোঙানবা এজেন্সিশিংগা লোয়ননা ময়াই কাবা নিশা লল্লোনশিংগী মথক্তা অকনবা দ্রাইব চত্থরি।

পেরা মিলিটরি ফোর্স অসিনা ঙরাং কস্তম দিপার্টমেন্টকা খুৎশমদুনা চত্থখিবা থিবা হুন্বা অমদা ৱেষ্ট ত্রিপুরা দিষ্ট্রিক্টকী অগরতালা রেলৱে ষ্টেসনদগী মীওই অমদগী লুপা লাখ ১৮ রোমগী ওইগদবা মোরফিন গ্রাম ১৮০ ফাগৎখ্রে।

ফারবা মীওই অমদি ময়াই কাবা পোৎলম অদু মখা তানা থিজিন্নবা কস্তম দিপার্টমেন্টতা খুৎশিন্নখ্রে। পনবা য়াবদি, হৌখিবা থাংজ ন্মিৎতা অসাম রাইফলসনা দাইরেক্তোরেট ওফ রিভিন্যু ইন্টিলিজেন্সকা খুৎশমদুনা চত্থখিবা ওপরেসন অমদা লুপা কোতি ৮ লোমগী ওইগদবা য়াৱা টেব্লেত লাখ অমা ফাগৎখিবা লৈরবনি।

**গেমস (এল)ঃ** নুমিৎ মঙানি চগ্থগদবা মনিপুর এপ্লিপমেন্ট সেন্টর এন্দ নেসনেল য়ুব কোরপোরেটিব সোসাইতিনা শিনদুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চগ্থগদবা রিভাইবেল ওফ ইন্দিজিনস গেমস (রিং) ২০২৬ ঙসিদগী হৌখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা রাজ্যগী য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টসকী কম্মিস্নার-নাওরেম প্রবিন, সেনিয়ার জর্নেলিষ্ট-প্রদিপ ফংজোবম, পদ্মীশ্রী এৱার্দিং-নামৈরাকপম কুঞ্জারানি দেবী, মনিপুর সরকারগী টুরিজম দাইরেক্তর-লৌরেম্বম বিক্রম শরুক য়াখি।

রিং-২০২৬ অসিদা মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা য়েলহৌ মশান্না-থাং-তা, অরান্বাই মুকা কাংজৈ, য়ুন্বী লাকপীনচিংবা মশান্না কয়া উৎকনি।

**হেন্দবোলঃ** ৪৮ শুবা ষ্টেট লেবেল জনিয়ার বোইস এন্দ গালর্স হেন্দবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-ৱাই.এল.কে. চিঙারেল তেজপুরনা কে.কে. এল.ৱাই. দি.ও. কোংপালবু স্কোর ৩২-১৫ দা, কে.ভি.ডব্লিয়ু.এ. ময়াং ইম্ফালনা এস.আর.ও.ৱাই. শিংজমৈবু স্কোরল ১৮-৪ দা অমদি ও.ৱাই.ও. কোংপালবু সি.ৱাই.দি.ও.এল. লিলোং চজিংনা স্কোর ২২-১৪ দা থোইখ্রে।

অদুগা ৱাই.এল.কে. চিঙারেল তেজপুরনা ও.ৱাই.ও. কোংপালবু স্কোর ১০-১ দা মায়থিবা পীখি। নুংথিলগী মেটচতা এস.এস.সি. খুরাইনা কে.কে.এল.ৱাই.দি.ও. কোংপালবু স্কোর ১৪-১ দা মায়থিবা পীখি। এন.এস.য়ু. খুম্মন লম্পাক অমদি আই.এম.সি. লৈশাংথেম পাঞ্জল ১৩-১৩ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে। তুংদা, শান্নখিবা ৱাই.এল.কে. চিঙারেল তেজপুরনা এস.এস.সি. খুরাইবু স্কোর ২৯-২৫ দা মায়থিবা পীখি।

**ফুটবোল ঃ** অহানবা কে.আর.সি. ত্রোফি ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-

জে.জে.এফ.এনা খুমন এফ.এবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-মৈরা এফ.সি.সি. অমদি রিয়েল এফ.এ. পাঞ্জল ৯-৯ চন্নদুনা দ্রো চৎলবা মতুংদা টোজ তৌবদা রিয়েল এফ.এনা থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** অনিশুবা মাইচৌ শামুরৌ চিগোং ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা দি.আর.ও.এস.এ. আই.এন.এফ.সিনা ৱাই.এস.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** ১৩ শুবা সম্মর স্পোর্টস মিট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা ফুটবোল টুর্নামেন্টতা লোইতাং অপুনবা এফ.সিনা লুৱাংশংবম মতাই এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-এ.ডব্লিয়ু.এস.সি. অৱাং ৱাবগাইনা গ্রীনলেন্দ পোৎশংবমবু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইখ্রে।

**কাং ঃ** ২৬ শুবা অরাম্বম সোমরেন্দ্র নিংশিং কুমওন লিক কম নোক আউট কেন্দ্রৱাইজ ওপন কাং টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-কুথিবা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রনা এল.এস.কে. এ. ৱাঙ্গোই কেন্দ্রবু পাঞ্জল ১৮-১৩ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স সেনিয়ার ৱান ডে ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা লিক মেটচশিংদা-পি.টি.আর.সি. পাৎশোইনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি. লালাম্বুংবু রন-৭১ দা অমদি পি.সি.সি. ময়াই কোইবীনা ই.এস.য়ু. ৱাংখৈ পেলেস কম্পাউন্দবু রন-১৩০ দা থোইখ্রে।